# চয়োল অমগী এয়র ষ্ট্রাইকতা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী পৱার ষ্টেসনশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমা মাঙ তাকহনখ্রে



কিভ, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): রসিয়ানা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথরকপদা শুপ্নগী চয়োল অমগী মনুংদা য়ুক্রেনগী পৱার ষ্টেসন অপুম্বগী চাদা ৩০ রোম মাঙহন তাকহন্দুনা লৈবাক অসিগী ইনর্জিগী ফিভম লুনা লৈরে হায়না য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা কিভ অমসুং য়ুক্রেনগী অতৈ অর্বান সেন্টরশিংদা লৈরিবা ইনর্জি ফেসিলিটিশিংদা বোম থাদদুনা অমদি মিসাইল কাপশিন্দুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা পাক্তক্লনা মৈ মমহনখি অমদি ঈশিং সপ্লাইগী থবকশিংসু লেপহনখি।

মদু কেপিটেল কিভতা দ্রোন মপৈশিং পাইশিল্লক্তুনা এটেক তৌখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুনা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা লমদমদা কিভ অমসুং খর্কিপতা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখি অমসুং লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমদনা মাইকোলাইট অমসুং ময়াই থংবা লমদমশিংগী মনুং চন্না দনিপ্রো অমদি জাইতোমিরদা শোকহনখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না রসিয়ন ফোর্সশিংনা টার্গেট তৌখিবা মফমশিং অদুগী হোস্পিটালশিং বেক অপ জেনরেটরশিংগী মতেংনা চল্লাইনরি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা দ্রোন মপৈ কয়া পাইশিল্লক্তুনা কিভতা পাক্তক্লনা বোম্বিং রেইদ চথখিবগা লোয়ননা কেপিটেল সিটি অসিগী ময়াই থংবা শরুক্তা লৈরিবা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অমা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা মদুদা লৈরিবা মীওই মঙা শিখি। প্রসিদেন্টগী ওফিসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা রসিয়ানা চথরক্লিবা এটেক অদু তৌফম খঙদবদগী ঙাওরক্তুনা চথরকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনিয়ন টার্গেটশিংদা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা বোম্বিং রেইদশিং চথরকখি। মিলিটরি ওবজার্বরশিংনা মদুবু লানফম কয়াদা মায়থীবা নঙলকপদগী মোস্কোনা তৌফম খঙদনা চথরকপা লাঞ্জংনি হায়না ফোঙদোক্লরকখি।

য়ুক্রেনগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না টার্গেট তৌরিবদু রসিয়নশিংনা চথরকপা অতোপ্পা টেররিষ্ট এটেক মখল অমনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা য়ুক্রেনিয়ন লিদর অসিনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা ওক্তোবর ১০ দগী য়ুক্রেনগী পৱার ষ্টেসন চাদা ৩০ মাঙহন তাকহন্দুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাক্তক্লনা মৈ মমদুনা লৈরি। অসিগুম্বা এটেকশিং অসিনা পীরিবা ইঙ্গিৎতি প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগী রেজিমগা নিগোসিএসন চথনবগী মরম অমত্তা লৈররোই হায়বনি হায়না য়ুক্রেনিয়ন লিদর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কেপিটেল কিভকী নোংচুপলোমদা মাইল ৮০ রোম লাপ্পা অমসুং মীওই মিলিয়ন ২৩০০০ লৈবা জাইতোমির নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা পৱার অমদি মৈগী সপ্লাই মপুং ফানা লেপখি হায়না সিটি অসিগী মেয়রগী ৱারোল পল্লদুনা দেলি মেলগী রিপোর্টনা হায়রি।

প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি হৌজিক লানফমদা রসিয়াগী চান্সস অমত্তা লৈত্রে অমসুং লৈবাক অসিনা লানদা মায়থীবা নঙখিবদগী টেররগী থৌওংশিং চথদুনা লমন খুম্নবা হোৎনরি। মখোয়না হৌজিক ঙমজবী থাদুনা মখোয়না পামজবা অদু চথরক্লে। মখোয়গী অপাম্বদি মীচম মীয়াম্বু মীপায়হনবগা লোয়ননা পাক্তক্লনা হাৎপা অসিনি হায়না জেলেন্সকিনা টেলিগ্রামদা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনিয়ন লিদর অসিনা হায়, টেররিষ্ট ষ্টেট অসিনা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথদুনা মখোয়গী অপাম্বা অহোংবা অমত্তা য়াহনবা ঙল্লোই।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেলনি হায়না শকখঙনবা লৌখিবা ৱারেপ হোংদোকখ্রে



কানবেরা, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা চহী মরিগী মমাঙদা ৱেষ্ট জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙনবা লৌখিবা ৱারেপ অমা হোংদোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর বেনি ৱোংনা কানবেরানা ২০১৮ দা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা মরা তপ্পা ফিভমদা অকায়বা পীবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াবু অতৈ লৈবাকশিংগা চৎমিন্নবদা নুংঙাইহন্দ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ওষ্ট্রেলিয়া অসি মখা তানা ইজরেলগী খ্বাইদগী নকশিন্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈরি। লৈবাক অসিগী এম্বেসি মখা তানা টেল অভিবতা লৈগনি। জেরুসালেমগী ষ্টেটস অসি ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না মুক্নরিবা ইস্যুশিংগী মনুংদনি।

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর য়েয়র লাপিদনা হায়রি, মদুদি ওষ্ট্রেলিয়াদা ৱারেপ অসিবু লৌখিবগী মওং অদু য়েংলগা অমসুং মেদিয়াদা লান্না ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী রেস্পোন্স অমা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টনা অতৈ ৱাফমশিং নীংথিনা অমদি প্রোফেস্নেল ওইনা মেনেজ তৌরক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

জেরুসালেম অসি মতম চুপ্পগী ওইনা ইজরেলগী কেপিটেল ওইদুনা লৈগনি অমসুং মসিবু করিমত্তনা হোংহনবা ঙল্লোই।

পনবা য়াবদি, ২০১৭ দা য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মতম শাংলক্লবা অমেরিকন ফোরেন পোলিসিদা অহোংবা লাকহন্দুনা জেরুসালেম্বু ইজরেলগী কেপিটেলনি হায়না শকখঙনবা ৱারেপ লৌখিবদা মালেম পুম্বনা ক্রিটিসাইজ তৌনখি।

মহাক্না লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না য়ুএসকী এম্বেসিসু কুমজা ২০১৮ গী মেদা টেল অভিবতগী জেরুসালেমদা হোংদোকখি। মদুগী মতুং থা খরা লৈরগা মতমদুগী ওষ্ট্রেলিয়াগী পিএম স্কোট মোরিসন্নসু মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা জেরুসালেম ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙলগনি হায়না লাউথোকখি। মতমদুদা মোরিসন্না হায়খি, মদুদি ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱেষ্ট জেরুসালেম্বু খুদক্তা ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙলগনি। তৌইগুম্বসুং মরা তপ্পা ফিভম লিংনবগী সেটলমেন্ট অমা পুরক্লিবা ফাওবা টেল অভিবতা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এম্বেসি হোংবদি তৌরোই।

চহী অসিগী মেদা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায়থীবা নঙদুনা মোরিসনগী গভর্ণমেন্ট পৱার পায়বা ঙমখিদবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর পেনি ৱোংনা হান্নগী গভর্ণমেন্টগী ৱারেপ অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াদা মীখলগী মাঙওইননা জিৱিষ্ট ভোটরশিংগী সপোর্ট ফঙনবগীদমক লৌখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ট্রম্পকী এদভাইজর থা ৬ জেলদা লৈহন্নবা রিকমেন্দ তৌখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): কংগ্রেস্নেল সবপিনা অমবু থৌশাখিদবগীমক্তা য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী চীফ ষ্ট্রেটেজিস ওইখিবা ষ্টেফ বানোন থা তরুক জেলদা লৈননবগী চৈরাক পীননবা য়ুএস দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (দিওজে) না রিকমেন্দ তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী কোর্ট ফাইলিং অমদা দিওজেনা কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা কেপিটোলদা থোকখিবা রাইওটকী মরমদা থিজিল্লিবা হাউস সেলেক্ট পেনেলদা লাক্তুনা মশাগী ৱারোল পীয়ু য়াদবগীদমক্তসু দোল্লর ২০০,০০০ ফাইন তৌনবসু রিকমেন্দ তৌখি। দিওজেনা রিকমেন্দ তৌরিবসি চয়োল অসিগী অথেংবা শরুক্তা বানোনগী সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোক্লিঙৈ মাঙওইননি।

তোঙানবা ফাইলিং অমদা হান্নগী এদভাইজর অসিনা মহাক্কী উকিলশিংগী এদভাইস মতুং ইন্না থবক তৌখিবগীদমক্তা মহাক জেলদা চঙফম থোক্তে হায়না য়েৎখি। মশাগী চহী ৬৮ শুরবা বানোন জনুৱারী ৬ কী কম্মিটিনা থারকপা সবপিনা রিজেক্ট তৌখিবা মতুং হৌখিবা চহীদা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখিবনি। মহাক কুমজা ২০১৬ কী ট্রম্পকী প্রসিদেন্সিএল কেম্পেইনগী চীফ একজিক্যুটিব ওইখি অমসুং কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্টতা মফম লৌথোক্লিবা ফাওবদি হ্বাইট হাউসকী সেনিয়র কাউন্সিল্লর ওইনা লৈখি।

# য়ুনিভর্সিটি মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): রুলশিং থুগায়বগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা মহৈরোয় কয়া দোমিটরিশিংদগী তান্থোকখ্রবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অফঘান নুপী ৩০ রোম্না কাবুল য়ুনিভর্সিটি মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিংনা দোমিটরিশিংদগী তান্থোক্লিবা মহৈরোয়শিং অদু নুপী ঙাক্তনি হায়না ক্লেম তৌখি। টালিবাননা নুপীশিংবু মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফঙহন্দনবা হোৎনরকপা হেনগৎলকপগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি। টালিবান ফোর্সশিংনা রেল্লিদা শরুক য়ারিবশিং তানখায়খ্রবা মতুংদা ওর্গনাইজর জোলিয়া পার্সিনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ঙসিগী প্রোটেষ্ট অদু দোমিটরিশিংদগী তান্থোকখিবা নুপীমচাশিংগীদমক্তনি। ওর্গনাইজরশিংনা নুপীমচাশিংগী ওইবা সেকেন্দরি স্কুলশিং অমুক হন্না হাংদোক্লবসু দিমান্দ তৌখি। স্কুলশিং অদু হৌখিবা চহীদা টালিবাননা পৱার পায়বদগী থিংজিনখিবনি। হার্ট লাইন ইস্লামিষ্টশিংনা থল্লিবা অকনবা অথিংবশিংগী মায়োক্তা সিটি কয়াদা নুপীশিংনা মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌনখি। টালিবান ওথোরিটিশিংনা রেল্লিশিং অদুবু থুনা নমথবগা লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিংবুসু মখোয়গী মরমদা পাউ লৌবা থিংখি। য়ুনিভর্সিটি অদুগী দোমিটরি রুল অমসুং রিগুলেসনশিং ঙাকখিদবা মশিং য়াম্লবা মহৈরোয় কয়া মখোয়গী লৈফমশিংদগী তান্থোক্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হায়র এদুকেসন্না ফোঙদোকখি।

# হিন্দু-অমেরিকন টুলসি গবার্দনা জো বাইদেনবু হিটলরগা চাংদম্নখ্রে



ন্যু য়োর্ক, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): দিমোক্রেটিক পার্টি থাদোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবা য়ুএস কংগ্রেসকী অহানবা হিন্দু মেম্বর ওইরিবী টুলসি গবার্দনা প্রসিদেন্ট জো বাইদেনবু নাজি লিদর অদোল্ফ হিটলরগা চাংদম্নখ্রে।

মহাক্না বাইদেনবু হিটলরগা চাংদম্নবগী ৱাফম অসি নবেম্বর ৮ দা পাঙথোক্লদৌরিবা মরক্কী মীখলগী কেম্পেইন ট্রেলগী মনুং চন্না মহাক্কী অহানবা অরোইবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবনি।

হন্দক্তা মানচেষ্টরগী ৱাংমদা টাউন অমগী হোলদা পাঙথোকপা ইভেন্ট অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হৱায়ি হান্নগী কংগ্রেসমেন অমসুং কুমজা ২০২০ গী দিমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট অসিনা হায়খি, মদুদি বাইদেন অমসুং হিটলর অনী অসি ওথোরিটেরিয়ন ওইনিংবগী মান্নবা ৱাখল্লোন চেল্লি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি।

মখোয় অনীমক মখোয়গী পান্দম ফঙনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনৈ হায়বসি ঐহাক্কী থাজবনি। হিটলরনসু জমর্নিগীদমক্তা অঙম্বা থাক্তা থবক তৌখি হায়বসি শোয়দনা চুমগনি। মতম অমদা দিমোক্রেটিক নেসনেল কম্মিটিগী ভাইস চিয়ার ৱিমন ওইখিবী গবার্দনা মহাক পার্টি অসি থাদোক্লগনি হায়না হৌখিবা চয়োলদা লাউথোকখি।

পার্টি অসি হৌজিক লান পাম্বশিংগী কন্ত্রোল মখাদা লৈরক্লে হায়না ক্লেম তৌরদুনা মহাক্না পার্টি অসি থাদোক্লগনি হায়খিবনি। মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২০ গী প্রাইমারিদা প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট ওইনবা হোৎনবদা মায়থীবা নঙখ্রবা মতুংদা দিমোক্রেটিক পার্টি মনুংদা গবার্দপু থৌশাদবা হেনগৎলকপগী ফিভম অমা লাকখি।

প্রসিদেন্ট বাইদেনগী অকনবা ক্রিটিক অমা ওইরিবা গবার্দনা মহাকপু অচাকপা মৈরিদা থাউ হৈজিন্দুনা য়ুএসপু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি। কুমজা ২০০৪ অমসুং কুমজা ২০০৫ কী মরক্তা হৱায়ি আর্মি নেসনেল গার্দতা সর্ভ তৌখিবা মিলিটরি ভেটরান অমা ওইরিবা গবার্দ য়ুএসনা মপান লৈবাক কয়াগী ৱাথোকশিংদা য়াওশিন্দুনা লান্মী থাদুনা লান য়াওশিনবগী থৌওং কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অদুবুসু মহাক্না বাইদেনগী ফোরেন পোলিসি মায় পাক্তবদগীনি হায়না মরাল শীখি। হিন্দু অমেরিকন টুলসি গবার্দ অসি অরিজোনাগী গভর্ণর খনবগী ইলেক্সনদা কেন্দিদেট অমা ওইনা চোংথোক্লিবা কারিলেক্কীদমক কেম্পেইন তৌরগনি। জর্নেলিষ্ট অমা ওইরম্বা কারি লেক কারিজেনাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইরিবা দিমোক্রেট কেটি হোম্সকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াগী রেটতা রসিয়াদগী ফ্যুএল লৈনবা শেম শারে: ইসাক দার



ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): য়ুএসকী খোঙচৎ অমদা লৈরিবা পাকিষ্টানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ইসাক দারনা হায়খ্রে, মদুদি ইস্লামাবাদনা রসিয়াদগী ইন্দিয়ানা পীখিবা মমলগী চাংদা ফ্যুএল লৈননবা শেম শাদুনা লৈরে।

মেদিয়ানা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ঈশিং ঈচাওনা লৈবাক্কী অয়াম্বা শরুক্তা পাক শন্না মাঙহন তাকহন্দুনা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লক্লিবসি য়েংদুনা লৈবাক অসিনা রসিয়াদগী অতাবা মমলদা ফ্যুএল ইম্পোর্ট তৌবদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা অয়েৎপা পীরক্লোই হায়না মহাক্না থাজে।

দারনা হায়খি, মদুদি সেন্টরদা লৈরিবা কোলিসন গভর্ণমেন্ট পোলিটিকেল ফ্রন্টতা অমুক হল্লকপা য়াবগী মতম মরাং কায়না লৈরি। হৌজিক ঐখোয়দা থা তরাগী মতম লৈরিবসি পোলিটিকেল মিংচৎ হঞ্জিন্নবা অমদি মীয়ামগী সপোর্ট ফঙনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনবদা মতিক চারবা মতমনি।

ঐখোয়না লৈরিবা ওপসন অনীগী মনুংদা অমা খনবা তাখি। ঐখোয়গী পোলিটিক্স কনগদ্রা নত্তগা ষ্টেটপু কনগদ্রা হায়বসিগী মনুংদা ঐখোয়না অপাম্বা অমা খনগদবনি। ঐখোয়না অনীশুবা ওপসন অসি খনখিবনি হায়না বাই ইলেক্সনগী রিজল্টকী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মতাংদা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবগা মরী লৈননা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি পাকিষ্টানগী শিংথানিংঙাই ওইবা কম্মান্দ অমসুং কন্ত্রোল সিষ্টেম অমা লৈ হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

য়ুএস ওথোরিটিশিংনসু মসিবু তোইনা খঙই হায়না পনবা লৈখ্রে। মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না নুমিৎ মরিনি ৱাশিংতনদা লৈরিঙৈ মনুংদা ইন্টরনেসনেল ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিংগী হেদশিং, য়ুএস, সাউদি অরাবিয়া অমসুং অতৈ লৈবাকশিংগী ওথোরিটিশিংগী মকোক ওইবশিংগা লোয়ননা মীটিং ৫৮ পাঙথোকখ্রে।

পাকিষ্টানগী ঈশিং ঈচাওগী মরমদা খন্ননবা ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং য়ুকেনা থৌবু ওইদুনা রাউন্দ টেবল কনফরেন্স অমা ফাওবা পাঙথোকখ্রবনি হায়নসু দারনা মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি য়ু এন দি পি, এদিবি অমসুং ৱার্ল্ড বেঙ্ককী ওথোরিটিশিংনা রাউন্দ টেবল কনফরেন্স অদুদা জোইন্ট রিপোর্ট অমা পুথোকখি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না হন্দক্কী শাথিরবা ঈশিং ঈচাও অদুদা পাকিষ্টানদা অমাঙ অতা কয়া থোকখিবদু দোল্লর বিলিয়ন ৩২.৪০ রোমনি। রিহেল্লিটেসনগী থবক্কীদমক্তা পাকিষ্টাননা দোল্লর বিলিয়ন ১৬ হেন্না মথৌ তারি।

ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্সগী গ্রেরিসতগী পাকিষ্টান লৌথোকখ্রগনি হায়বগী থাজবসু দারনা ফোঙদোকখি।

# বেলুন এক্সিদেন্টদা টুরিষ্ট অনী শিরে, অহুম শোক্লে

অঙ্করা, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): লমকোয়বশিংনা পাম্নবা টর্কিগী কাপাদোসিয়াদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নুংশিৎ অশাবগী বেলুন অমা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা স্পেনিস টুরিষ্ট অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ অহুম্না অশোক অপন নঙলে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইভেট কম্পেনি অমগী বেলুন অদু নেভসেহির প্রোভিন্সকী অবানোস দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা জেলবে এরিয়াদগী পাইখৎখিবনি অমসুং খঙহৌদনা অকনবা নুংশিৎ শিৎল্লকপদগী কিলিক রিজনদা কন্না তাশিনখি হায়না এজেন্সিনা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা হায়রি।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না বেলুন অদুদা পুন্না পেসেঞ্জর ২৮ অমসুং ক্রু মেম্বর অনী তোংখি। অহানবগী ফাইন্দিংশিংগী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদু মরু ওইনা খঙহৌদনা অকনবা নুংশিৎ থেংনবদগীনি। জুদিসিএল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুবা হৌখ্রে অমসুং অশোকপশিং অদু তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা ট্রিটমেন্ট চথরি হায়রি।

মহৌশাগী ওইবা রোক ফোর্মেসনশিং, অন্দরগ্রাউন্দ সেটলমেন্টশিং, শুরুংগী হোটেলশিং অমদি রোকতা হকপা মোনাষ্ট্রি কয়া লৈরিবা কাপাদোসিয়া অসি নুংশিৎ অশাবগী বেলুন তোংদুনা পাইবা য়াবা মফম অমা ওইবগীদমক মমিং চৎলি।

মফম অদুদা নুংশিৎ অশাবগী বেলুনদা তোংদুনা কোইবা অসি দোমেষ্টিক অমসুং ফোরেন ট্রাবেল্লর অনীমক্না পাম্লে হায়রি।

মফম অদু ভিজিটরশিংনা কুম্বী কালেন নাইদনা চহী চুপ্পা বেলুন তোংদুনা কোইবা য়াবা মালেমগী মফম খরগী মনুংদা অমনি।

# রসিয়া অমসুং ইরানগী খুৎলায় লল্লোন ইতিক্তা য়ুএসনা অথিংবা থমখিগনি

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): রসিয়া অমসুং ইরানগী খুৎলায়শিং লৈন য়োন্নবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা অথিংবশিং থমখিগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী মীয়ামগীদমক্তা য়ুএসনা লেপ্তুনা লৈগনি হায়খ্রে। ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি কেরিম জিন পেরিনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি লৈবাক অনীগী খুৎলায়গী লল্লোন ইতিক্তা অথিংবা মখা তানা থম্বা অসিনা ইরানবু রসিয়াগা খুৎলায় য়োনবা ঙমহল্লোই।

য়ুক্রেনগী মিলিটরি অমসুং সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা এটেক তৌবদা ইরাননা শাবা দ্রোনশিং শীজিন্নখি হায়বগী প্রুভ মরাং কায়না লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। ঐখোয়না রসিয়া অমসুং ইরান অনীমক্তা খুৎলায় লল্লোনবদা মখা তানা অথিংবা থমদুনা ইরানবু রসিয়াদা খুৎলায় য়োনবা ঙমহল্লোই। মতম চুপ্পদা ঐখোয়না ইরানগী থ্রেটশিংগী মায়োক্তা ঐখোয়গী পার্টনরশিংগীদমক্তা লেপকনি হায়না পেরিনা ফোঙদোকখি।

ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, ইরাননা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা শীজিন্ননবগীদমক্তা রসিয়াদা য়ুএভিশিং য়োন্ননবা থৌরাং তৌরি হায়না হৌখিবা জুলাইদা নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেট সুলেবানা ৱার্নিং তৌবা লৈখ্রবনি।

# হিজাব য়াওদনা লম্বানখিবা ইরানগী ক্লাইম্বর ইলনাস রেকাবি মাঙখ্রে



টেহরান, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): হেদস্কার্ফ শীজিন্নদুনা ইভেন্ট অমদা শরুক য়ারম্লবা মতুং ওক্তোবর ১৮ দা সাউথ কোরিয়া থাদোকখিবা ইরানগী ক্লাইম্বর ইলনাস রেকাবি থীবা খঙখিদ্রে হায়রি।

মহাক মাঙখ্রে হায়বগী রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখিবা মতুংদা মেদিয়া রিপোর্ট খরদা ইরানগী ওফিসল খরনা মহাকপু নমদুনা মতম ঙন্না সাউথ কোরিয়া থাদোকহনবা ওইরম্বা য়াই অমসুং মহাক ময়ুম লৈবাক্তা ওথোরিটিশিংনা ফারবা য়াই হায়না পনখি।

বিবিসি পার্সিয়নগী রিপোর্টনা হায়, ইলনাস রেকাবি য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফ্লাইটতা পাইখিগদবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক নোংমা ঙনখৎনা সাউথ কোরিয়া থাদোক্লমখি। ইরানদা মীৎয়েং থম্বা অতোপ্পা ৱেব সাইট ইরান ৱেয়রগী মতুং ইন্না ক্লাইম্বর রেকাবি টেহরানগী ইর্ৱিন প্রিজনদা ট্রান্সফর তৌরগনি। অদুম ওইনমক মেদিয়া রিপোর্টশিং অসিবু য়াম্না থুনা রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা মখোয় শেমজিন শাজিনবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

সিওলদা লৈবা ইরান এম্বেসিগী ত্বিট ওফিসল ত্বিটর হেন্দলনা ইলনাস রেকাবি ওক্তোবর ১৮ গী অয়ুক অঙনবদা মহাক্কী টিমগী অতৈ মেম্বরশিংগা লোয়ননা সিওলদগী ইরান পাঙখ্রে হায়না ইখি। সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরানগী এম্বেসিনা ইলনাস রেকাবিগা মরী লৈনবা শেমজিন শাজিনবা অরানবা পাউ খুদিংমক রিজেক্ট তৌই হায়না এম্বেসি অসিনা ত্বিটরদা মখা তানা ইখি।

পনবা য়াবদি, ইরানগী নুপীশিংনা হেদস্কার্ফশিং শীজিন্নবগা মরী লৈনবা ইরানগী রুলশিং থুগায়বগীদমক্তা ফাখিবা মোসা অমিনি শিখ্রবা মতুংদা ইরানিয়ন লিশিং কয়ানা লৈবাক অসিগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথুখি।

রেল্লিশিং অদুদা শরুক য়ারিবা ইরানগী নুপীশিংবু মালেমগী নুপীশিংনা শৌগৎপা ফোঙদোক্লখি। অতৈ নুপীশিংগুম্না ইলনাস রেকাবিসু ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াবদা হেদস্কার্ফ শীজিন্নখিদবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিংবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

চৈরকসিদা এঠলেট রেকাবি হৌজিকসু সাউথ কোরিয়াদা লৈরিব্রা নত্ত্রগা লৈবাক অসি থাদোকখ্রবরা হায়বগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# মালেসিয়াদা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিবু অখন্ননা য়েংশিল্লি: পিএম ইস্মাইল

কুলালম্পুর, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): মালেসিয়ানা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিবু মরু ওইনা এদুকেসন অমসুং ইকনোমিগা মরী লৈননা অখন্ননা য়েংশিল্লি হায়না মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ইস্মাল সাব্রি য়াকোবনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াকোবনা হায়খি, মদুদি হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোকখিবা কুমজা ২০২৩ গী বজেটতা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা ইনিসিএটিবশিং য়াওরি। ইনিসিএটিবশিংদুগী মনুংদা পনবা য়াবদি মালেসিয়ন ইন্দিয়ন ট্রান্সফোর্মেসন য়ুনিট (মিত্রা) গী মখাদা ইন্দিয়ন ওন্ট্রাপ্রেনরশিপ দিভলপমেন্টগীদমক্তা আর এম মিলিয়ন ১০০ পনবা য়াওরি।

বেরা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগা লোয়ননা টি সেসন অমদা শরুক য়াখিবা সাব্রি য়াকোবনা হায়খি, মদুদি মমাঙদা মিত্রা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল য়ুনিটিগী মখাদা লৈখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি প্রাইম মিনিষ্টরগী দিপার্টমেন্টকী মনুং চলহন্দুনা পিএমনা হকথেংননা য়েংশিনবা য়ারে। মসিনা মালেসিয়াদা ইন্দিয়নশিংগী চাওখৎ খোঙথাংগী ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌই হায়বসি উৎলি। মসিদা নত্তনা মিনিষ্ট্রি ওফ ওন্ট্রাপ্রেনর দিভলপমেন্ট এন্দ কো ওপরেটিবসকী মখাদা ইন্দিয়ন কম্যুনিটি ওন্ট্রাপ্রেনর দিভলপমেন্ট স্কিম (এস পি য়ু এম আই) গীদমক্তা আর এম মিলিয়ন ২৫ সু কায়থোক্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৮ তা হৌদোকখিবা মিত্রা অসি মালেসিয়াদা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগী সোসিও-ইকনোমিক দিভলপমেন্টগী হিরমশিং য়েংশিল্লিবা স্পিসল য়ুনিট অমনি।

মিত্রাগী মতাংদা ফোরেন্সিক ওদিটশিং পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়না ওপোজিসন লিদর অনৱার ইব্রাহিম্না ফোঙদোকখিবা মতুংদা সাব্রি য়াকুবনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

# নহা ওইরিবী অমা ক্লাইমেট মিনিষ্টর হাপখ্রে

ষ্টোকহোল্ম, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): স্বিদেনগী অনৌবা গভর্ণমেন্টনা মশাগী চহী ২৬ শুবদা ঙাইরিবী নুপী অমবু ক্লাইমেট মিনিষ্টর ওইনা য়াওহনখ্রে। মহাক টিনেজ ক্লাইমেট এক্তিভিষ্ট গিতা থনবর্গকী লৈবাক অদুদা মিনিষ্ট্রি অমা লুচিংহল্লিবা খ্বাইদগী নহা ওইরিবী মীশক্নি হায়রি।

কেবিনেট মেম্বরশিংগী মরক্তা মহাক্কী মমিং রাইট-ৱিং কোল্লিসন লুচিংলিবা নৌনা মীখলদা মায় পাক্লকখিবা পিএম উর কিষ্টরসননা হৌদোকখি। রোমিনা পোরমোক্তারি মমাঙদা লিবরেল পার্টিগী য়ুঠ ৱিংগী লিদর ওইরম্মী।

হান্না মহাক্কী পোলিটিকেল প্রোফাইলদা ক্লাইমেটকী ৱাফম পনখিদবা ওইরবসু হৌজিক্তি মহাক্না ক্লাইমেট এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈননা মমিং লৈরবা লৈবাক অসিদা মরু ওইরবা মিনিষ্ট্রি অসিবু লুচিংলগনি হায়রি।

# রসিয়াগী ফাইটর জেট অমা কায়বদা মীওই ১৩ শিখ্রে



মোস্কো, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সী): রসিয়াগী সু-৩৪ ফাইটর জেট অমা ক্রাস্নোদার রিজনদা কায়খিবদা শিখিবা মী মশিং ১৩ শুরে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা টাজ ন্যুজ এজেন্সি পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইমার্জেন্সি সিচুয়েসনগী মতুং ইন্না য়েসক সিটিগী এক্সিদেন্ট থোকখিবা মফম অদুদগী অহেনবা হকচাং তরা ফংখিবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিং অঙাং অহুম য়াওনা ১৩ শুরে।

এক্সিদেন্ট অদুদা অতৈ মীওই ১৯ সু অশোক অপন নঙখি। মখোয় হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। রেস্ক্যু প্রোসেস মনুংদা পুন্না মীওই ৬৮ রেস্ক্যু তৌখি অমসুং মীওই ৩৬০ না এক্সিদেন্ট সাইট অমদি অকোয়বদগী শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখি।

অঙনবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না এয়র ক্রাফট অদু খা থংবা মিলিটরি দিষ্ট্রিক্টকী এয়র ফিল্ড অমদগী ট্রেনিংগী ফ্লাইট অমা ওইনা পায়রিঙৈদা ৱাংখৎনবা হোৎনবদা খঙহৌদনা সিষ্টেম ফেল ওইখিবনি। ক্রাস থোক্লিঙৈগী মমাঙদা পাইলোটশিং ইজেক্ট তৌবা ঙমখি। এয়র ক্রাফট অদুগী ক্রুনা পীরকখিবা রিপোর্টতা পাইখৎপা মতমদা ইঞ্জিন অমা মৈ হৌরক্লে হায়না পনখি। টাজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না প্লেন অদু কায়বগা লোয়ননা মৈরি থোক্লা চাকখিবগা লোয়ননা অকায় অতোইশিং অনকপদা লৈবা মথোল মাপনগী মী লৈনবা বিল্ডিং অমদা শন্দোরকখি।

রিপোর্টশিং অদুনা মখা তারি মদুদি এক্সিদেন্ট অদুনা এপার্টমেন্ট ১৭ তসু অমাঙ অতা থোকহনখি। মদুনা চাকহল্লিবা মৈ অদু স্কৱার মিটর ২০০০ গী এরিয়া শীন থুংনা শন্দোরকখি। এক্সিদেন্ট অদু করম্না থোক্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুবা হৌখ্রে।